# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-42

**(Melting of Glaciers & Floods)**

*Script :*
**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপাঃ- (১) তোম্বীনৌ - কোলেজ ওজা (২) য়াইমা - কোলেজ ওজা (৩) ৰাংলেনথোইবা - রিছার্চ স্কোলর

নুপীঃ- (১) মেমচৌবী - তোম্বীনৌগী নুপী
(২) পুর্ণিমা - য়াইমগী মচলনুপী

(মতমঃ- অয়ুক, মফমঃ- য়াইমগী য়ুম, ম্যুজিক তপ্পা তাবা, টি.ভি. দা ইংলিস মুভি লাকপগী সাউন্দ)

পুর্ণিমা :- তাচৌ ! করিনো অদুক থৰায় য়াওনা ঙন্তা হৌগৎলগা টি.ভি. থাদুনা য়েংলিদুবো?

য়াইমা :- ঙসিদি নোংঙানলমদাইদা নোং থিৎলি থিৎলি তাখিবদুদা মোর্নিং ৱাল্কিং চৎপসু লম্বী লৈখোম খরা থোক্লমদৌমাল্লি খন্দুনা চৎতরে অদুনা টি.ভি. ঙহাক্তং য়েংগে হায়দুনা থারম্বনি, সাইন্স ফিক্সন অমা লাকঅম্বদুদা সুম য়েংলম্বনিদা।

পুর্ণিমা :- এ ! তাচৌ য়েংঙুনে তু, গ্লেসিয়রগী শরুকশিং মপাক মপাক অসুম অসুম শৌদোরক্লিবসে, ঊনশিংসে ঈশিং লোয়না ওন্দুনা ঈচেল নাইনা শাফু কন্না সমুদ্রলোমদা চেন্থরক্লিসে... কৈনো হায়রিসিনা.... অন্তাটিকাগী ঊনগী লৈরোলশিং শৌদোরকপদগী চহি মিলিয়ন কয়াগী মমাংদগী ঊনগী লৈরোলনুংদা ফুমদুনা লৈরম্বা বেক্টরিয়া মখল অমা সমুদ্রগী ঈশিংদা য়াওশিনখরে, হায়রিবা বেক্টরিয়া মখল অসি মালেমগী মফম পুম্নমক্তা মতম খরগী মনুঙদা শন্দোকখ্রগনি অদুগা মীওইবা অমদি শা-ঙা কয়াগী পুন্সিদা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না শন্দোকপা হৌরক্লগনি, হায়রিবা লায়না অসিনা মরম ওইরগা মীওইবা অমদি থৰায় পানবশিং মালেমসিদগী মুৎখিবা য়ারি...।

য়াইমা :- (মৈ মুৎখিবা) ওন্থোকপনিহে মৈশিসু হৌজিকমক নত্রবদি মুৎপা য়াদ্রবদৌনা মুৎলিসিবু, সাইন্স ফিক্সন নুংঙাইনা ঙহাক্তং য়েংবসিদা...।

পুর্ণিমা :- তাচৌ ! হৌজিক্কী সাইন্স ফিক্সন অদুনা অচুম্বা ওইরক্লবদি ঐখোয় মীওইবশিং অসি য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা ভাইরস, বেক্তরিয়া কয়ানা শন্দোকপা লায়নাশিংনা মরম ওইরগা মালেমসিদগী মুৎখিবা য়াইকো।

যাইমা :- উম য়ারিবনিনে, মালেমগী ঊনগী শরুকশিং গ্লোবেল ৱার্মিংনা মরম ওইরগা শাবগী চাং অসুম-অসুম হেনগৎলকপদগী শৌদারকপগী চাংসু অসুম অসুম ৱাংখৎলক্লি, মরম অসিনা চহি চা কয়া কয়াগী মমাংদগী ঊণগী লৈরোলনুংদা ফুমজিন্দুনা লৈখিবা মাইক্রো-ওর্গানাজিম কয়া অমুক হন্না এক্তিব ওইরক্তুনা লায়না কয়া শন্দোরক্লবা মরম অমসু ওইরক্কদৌরিবনি।

পুর্ণিমা :- তাচৌ, অন্ত্রাটিকা, গ্রীনলেন্দ অমদি মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা ঊনগী শরুকশিং অসি অসুম অসুম লেপ্পা লৈতনা কা হেন্না শৌদোরক্লবদি সমুদ্রগী ঈশিংগী ঈমায় অসি চাওরাক্লা ফিট ২৩০ রোম ৱাংখৎলকপা য়ানা লৈ হায়না সাইন্টিষ্টশিংনা পানরি, মদুমনা তৌরবদি মালেমগী মফম অয়াম্বা সমুদ্র ঈরোলনুংদা লুপশিনখিবা য়ানা লৈরি।

যাইমা :- য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইরক্কদৌরিবনি, হিমালয় চীংশাংগী গ্লেসিয়রগী শরুকশিং অসিসু শৌদোরকপগী চাং অসি অসুম অসুম হেনগৎলক্লি, নেসনেল এরোনোটিক্স এন্দ স্পেস এডমিনিষ্ট্রেসন (নাসা) গী রিপোর্ট মতুংইন্না ইং ২০০2 অমদি ইং ২০১৬ গী মরকসিদা চাওরাক্লা অন্ত্রাটিকাগী ঊনগী শরুকশিং গিগাটন ১২৫ রোমগী চাং চহি খুদিংগী শৌদোরকপনা মরম ওইরগা সমুদ্র ঈশিংগী ঈমায় চহি খুদিংগী মিলিমিটর ০.৩৫ রোম হেনগৎলক্লি হায়না হায়রি।

পুর্নিমা :- তাচৌ ! ভারতকী হিমালয়া চীংজাউগী শরুকশিংগী ঊনগী মপৈশিং, গ্লেসিয়রশিং অসিসু মালেমগী শাবগী চাং হেনগৎলকপদগী অসুম অসুম কা হেন্না শৌদোকখ্রবদি ভারতকী তুরেলশিং অসিসু মতম খরগী মতুংদদি লোয়নমক ঈচেল লেপখিবা যাইকো।

যাইমা :- অচুম্বনি, ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপদগী হিমালয়ান ইকোসিস্তেমদা অকায়বা কয়া ওইরকপসিদগী কন্ননবা নেসনেল এক্সন প্লান ওন ক্লাইমেৎ চেঞ্জ (এন এ পি সি সি) গী মিসন নিপালগী মনুঙদা অমা ওইরিবা 'দি নেসনেল মিসন ফোর সস্তেনিং দি হিমালয়ন ইকোসিস্তেম (এন এম এস আইচ ই) গী মখাদা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলিবনি।

পুর্নিমা :- তাচৌ ! ঐসু ঐখোয় লৈবাক্কী গ্লেসিয়রগী শরুকশিং মাংশিনলক্লিবা অসিগী মরমদা প্রোজেক্ট অমা তৌনিংঙি, য়াগদরা?

যাইমা :- করিগী য়ারোইদগে, দিপার্টমেন্টে ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি (দি এস টি) গী ফন্দিংগী মখাদা তৌননবা প্রোজেক্ট  প্রোপোজেল অমা শেম্লগা য়াম্না থুনা তৌনবা তৌরসি। অদো নঙবু ঙসি ইবুংবু চাগা অমতা পীথক্লরোই হায়রিবরো।

পুনিংমা :- ইহে, ঐদি ৱারীদা চাগা লোনগনি হায়বা লোয়না কাওরুরে, তাচৌ মৈসু অমুক লাক্লে, টি.ভি. ঙহাক য়েংলগা লৈরম্মু, ঐ চা থুনা লোল্লগা পুরক্লগে।

যাইমা :- হোয় হোয় লোল্লুরো লোল্লুরো (টি.ভি. থাবগী মখোল)।

-ম্যুজিক-

(মতম: নুমিদাংৱাইরম, তোন্বীনৌগী ময়ুম, গাড়ী চৎথোক চৎশিন তৌবগী মখোল)

মেমচৌবী :- নুমিদাংৱাইরম থেংজিনলক্লুসি ফাওবা হৌজিক ফাওবা মোয় মপা-মচা অনিদো হঞ্জিলক্তেনে, হেক হঞ্জিনলকপগা অদু তৌরেগা আদা তৌরেগা থৌদাবা হৌরক্কদৌনি, মোয় মপা মচা হেক লাকপগা পীজনবা অচা-অথক থৌরাং তৌরগা থম্লুখিগে।

তোন্বীনৌ :- মেমচৌবী... মেমচৌবী... কদায়দা লৈগে নঙবো কৈদৌরিগে হায়বনে, ঐ হল্লকপগসে অমতা উদ্রবরো নঙবো...।

মেমচৌবী :- (থোরকপা) য়ৌদি য়ৌবীরক্লেদনা, ঐদি য়ুমদা হল্লকপগী লম্বী কাওখ্রবোই নীংলুরে।

তোন্বীনৌ :- নচানুপা নাইতোম পোকচবা ৱাংলেনথোইবাদুদি লাক্লবো, ঙসাই কোলেজ কান্টিনদা ওজা য়াইমগা কোফি থক্লুসি হায়দুনা চৎপদা লম্বীদা নচানুপাদু লৈশাবী মশক ফজখ্রবী অমগা চৎমীন্নখিবা উহৌই, ওজা য়াইমা উরম্লদরা হায়দুনা ঐদি স্বাই স্বাই লাওরুরে।

মেমচৌবী :- পাখংগা লৈশাবীগা চৎমীন্নববু কৈদৌই হায়গে, চৎমিন্নসনু মপান ফরিঙৈদা, হয়েং হনুরকান্দা চৎপা য়াপোৎ নৎতে, অদুগা করিগীনো মোয়বাবানা ওজা য়াইমা উখ্রদরা হায়দুনা পাখৎলিদুনা, ইচানা মীগী মপোৎ হুরানলুবসু নৎতনা।

তোন্বীনৌ :- হায় নচানুপানা মাগী গাড়ীদা হাপ্তুনা পুখ্রিবা নুপীমচাদু অতৈ কনাসু নৎতেনে, ওজা য়াইমগী মচলনুপী পুর্নিমানিনে।

মেমচৌবী :- এ ! অদুদি হায়গুম্লদনা ওজা য়াইমদু উহৌদবা ফরে, মবুংগী মমাংমক্তদা মচলনুপীনা শকখঙদবা পাখং অমগা চৎমীন্নখিবা হায়বসে মবুং কনানসু পাম্লম্লোই অদো ঐখোয়গী ইচানি খঙলদি কৈসু হায়রোইদা, মোয়গী মচলনুপীনা ঐগী ইচাদগী করিসু হেনলম্লোই, ইচাদি এম. এ. সি জিওগ্রাফি ফার্ষ্ট ক্লাস ফার্ষ্ট ফংলিবা মীওইনি হৌজিক হৌজিকসু পি.ঐইচ.দি. তৌরিবনি, ইচাগী অৱাৎপা অমতা লৈতে।

তোন্বীনৌ :- ওজা য়াইমগী মচলনুপীদুসু য়াম্না মতীক চাবীনি, মাসু হৌজিক রিছার্চ তৌরিবনি, সবজেক্টসু ইচানুপাগা চপ মান্নে।

মেমচৌবী :- অদো মোয় বাবা, ইচানুপানা হৌজিক ফাওবা হল্লক্ত্রিবসিবু... ঐদি ৱাখলসে জাৎ-জাৎ খনজিনলক্লেবো, পাখৎপা অমসু য়াওশিনলক্লেবো।

তোন্বীনৌ :- নঙগী হৌনবী মথোং মরম খঙদনা হান্না হেক্তা পাখৎপীদু অমুক্তা তৌরকখিনু, ঐ ফোন অমুক্তা তৌরগা হংখিগে।

মেমচৌবী :- হোয়নে ফোনদু অমুক্তা খরা থুনা তৌবীয়ুসে।

তোন্বীনৌ :- (কি পেদ নম্বা) রিংদি চৎলি ফোন্দি পাইখৎতেনে, কদায় য়ৌখ্রজাৎনোনে, মসি য়ৌশিনলক্লদি ঐসু গ্যান অমা তাশিনলক্তরে।

ৰাংলেনথোইবা :- বাবা... ইমা... কৈদৌবা য়াওরগে, ইপা পাখৎনরিদুবো...।

মেমচৌবী :- কৈসু তৌদে, নঙগী গাড়ী মখোলগা অমতা তাদেনা, গাড়ীদি কদায়দা থনল্লগে।

ৰাংলেনথোইবা :- লম্বীদা গাড়ী টায়র পোকখায়রক্তুনা ৰার্কসোপ্তা অদুম ইনশিনলগা থনল্লে হয়েং অয়ুক লৌরগে হায়দুনা।

তোন্বীনৌ :- ঙহাক ঙাইরগা ফোৎহনল্লগা গাড়ীদু কোক পুরক্লদি ফদৌবা, ফরে ফরে নঙ হল্লকপা য়াম্না ফরে, নঙ হল্লক্ত্রে হায়দুনা নমাদি পাখৎপনা লোইরবনি।

ৰাংলেনথোইবা :- ইমাদি কৈদৌবগী পাখৎলিবা, পুংসে য়াম থেংখিবসু নৎত্রি, ঐনা লাং-ফাং তৌদুনা লৈথোক্কদবসু নৎতে, ঐগী থবক্না য়াদদুনা ঙহাক থেংদোকখিবগী ৰানি।

মেমচৌবী :- ঙায়খো, নঙগা ঙসাই চৎমিন্নখিবা লৈশাবীদু কনানো, হা কনানো হায়বা মেন-মান তাদনা মীগী মচা লৈশাবী পু পুদুনা পংচৎ চৎচনু বদনাম চাজনি।

ৰাংলেনথোইবা :- এ ! ঐগা লৈশাবী অমগা চৎমিন্নখি হায়বদি ইমাদা কনানা তল্লিবা, মী ঐগা রিছার্চ তৌমীন্নবা ইমান্নবীদুবু, দরকার লৈবগী চৎমীন্নবনি, মাগা চৎমীন্নররগা করি তৌই হায়গে।

মেমচৌবী :- কৈসু তৌদেদা কৈসু তৌদেদা, নঙগা পুর্নিমাগা ৰারী শা-শাদুনা নোক নোক্তুনা চৎখিবদো উহৌবা য়াওবা অদুগী সুম হংবনিদা (নোকপা)।

ৰাংলেনথোইবা :- ইমাদি লোয়না খঙলল্লজাৎনিনে, ঐগী ইমান্নবীদু পুর্নিমা কৌইদি কনানা হায়রিবা, হান্না ইমানা লোয়না খঙদোক্লগা খঙদবা অমুক শারিনিনে।

তোন্বীনৌ :- পুর্নিমাদো ঐগা ওজা ওইমীন্নবা ওজা য়াইমগী মচলনুপীনি, ঐগা য়াম্না মুন্না খঙনৈ, মখোয়দা ঙহাক লৈতনা চৎলি ঐ, অদুনা নুপীমচাদু ঐনা য়াম্না মুন্না মশক খঙঙি। ফরেসে মসি ৰাসি তোক্লসি নঙগী রিছার্চ ৰার্কনা কমায় কমায় তৌরিবা লোইগদবনা কয়াম ৰাৎলিবা।

ৰাংলেনথোইবা :- ফনা য়াম্নদি লোইশিনলক্লে বাবা, মথং চহি হৌরকপা অদুৰাইদদি থেসিস সবমিট তৌগে খল্লি।

তোন্বীনৌ :- উম, সবমিট তৌগে খল্লিবা মতমদুদা তৌবা ঙম্নবা কন্না হোৎনরো, অদুগা অমুক মখা রিছার্চ ৱার্ক তৌথবা ওইনা প্রোজেক্ট ৱার্ক খরসু লৌথসি, হৌজিক ভারতকি গ্লেসিয়রগী শরুক অয়াম্বা লেপ্পা লৈতনা শৌদোরক্লিবা, মসিদগী থোরক্লিবা অমদি ওইরক্কদবা অমাংবশিং অসিগী মরমদা ঐখোয় টিম অমা শেল্লগা থিজিন খোৎচিনবগী থবক খরা পায়খৎসি।

ৱাংলেনথোইবা :- অদুদি পুর্নিমাসু য়াওহনসি বাবা, ঐখোয় পুল্লপ পুল্লগা ৱার্ক তৌমীন্নরবদি থবকসু মায় পাক্না পাংথোকপা ঙমগনি খল্লি।

তোন্বীনৌ :- উম, পুর্নিমাগী মবুং ওজা য়াইমগসু ৱা তান্নবা লোয়না লোইরবনি, ঐখোয় পুল্লপ তৌমীন্নগদৌরিবনি, প্রোজেক্ট প্রোপোজেল শেম শাবগী থবকসু মানা পায়খৎপা হৌখ্রবনি।

মেমচৌবী :- ঙাইখোনে মোয় বাবা, গ্লেসিয়রগী শরুকশিং অসিবু মফম কদায় কদায়দা লৈবগে, ঐদি অমুক্তবু উজদ্রিদা ।

তোন্বীনৌ :- মালেমসিদা ফংলিবা ফ্রেস ৱাটরগী শরুক অসিগী চাদা ৬৭ লোমদি গ্লেসিয়র অমদি আইচ কেপশিংগী শরুকশিংদা তুংশিন্দুনা লৈ, হিমালয়া চীংজাউগী উনগী মপৈশিং হায়বদি গ্লেসিয়রশিংদগী গঙ্গা তুরেলদা ঈশিং চাদা ৩০ দগীনা নিফুলোমদি ফংহনলিবনি।

ৱাংলেনথোইবা :- মালেমগী অপুনবা কংফালগী শরুক্কী চাদা ১০ রোমদি গ্লেসিয়রগী শরুকশিংনি। অদুগা মালেমগী অপুনবা গ্লেসিয়রগী শরুক্কী চাদা ৯৬ লোমদি অন্ত্রাটিকা অমদি গ্রীনলেন্দগী শরুকশিংদা ফংঙি।

মেমচৌবী :- অন্ত্রাটিকা অমদি গ্রীনলেন্দদদি উনগী উন ঙাক্তা ঙাইরম্লনিকো। উন মরক্তুদা শান্নবা ফনদুম নুংঙাইনি, ঐখোয়দি মফমদুদা চৎপা কা হায়দো হন্দকমপোক্কীদি ফংলরোইদা।

তোন্বীনৌ :- নীবু নীংলদি করিগী ফংলোইদৌরিবনো, নীংবদা কনলু নচানুপাগা ঐগনা কোইবা পুবিরগা লোয়রেদনা, অদুগনে মেমচৌবী জিওলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়া, মিনিষ্ট্রি ওফ মাইন্স, গোভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী খ্বায়দগী নৌবা দেতাগী মতুংইন্না ভারতকী হিমালয়াগী শরুকশিংদা গ্লেসিয়র মশিং ৯,৫৭৫ রোম জম্মু অমদি কাস্মির, হিমাচল প্রদেশ, উত্তরাখন্দ, সিক্কিম অমদি অরুনাচল প্রদেসকী মফমশিংদা লৈ হায়না হায়রি। গঙ্গোত্রি গ্লেসিয়র অসি উত্তরাখন্দগী উত্তরকাশি দিষ্ট্রিক্টতা তা লৈবা, য়াম্না মরুওইবা ভারতকী গ্লেসিয়রশিংগী মনুংদা অমনি, হায়রিবা গ্লেসিয়র অসি কিলোমিটর ৩০ রোম শাংই অদুগা এরিয়ানা সক্কার মি: ১৪৮ লোমনি।

ꯋাংলেনথোইবা :- ইউনাইটেদ ষ্টেটস জিওলোজিকেল সর্ভেগী মতুংইন্না মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা পোলগী শরুক্তা লৈবা গ্লেসিয়র অসি অন্তাৰ্টিকাগী লেম্বৰ্ট গ্লেসিয়র হায়রিবা অসিনি, কিলোমিটর ৯৬ লোম পাকই অদুগা শাংবনা কিলোমিটর ৪৩৫ রোম শাংই অদুগা মিটর ২,৫০০ রোম থানা লৈরোন লৈরোন নায়না শন্দোকই।

তোম্বীনৌ :- পোল গী শরুক্কী ৱাংমদা লৈবা গ্লেসিয়রশিংগী মনুংদা ফেদচেনকো গ্লেসিয়র হায়রিবা অসিনা মালেমগী মনুংদা খ্বায়দগী চাওবনি হায়না লৌনৈ, কিলোমিটর ৭৭ রোম শাংই অদুগা অনিশুবনা ভারতকী হিমালয়াগী সিয়াচেন গ্লেসিয়র হায়রিবা অসিনি, কিলোমিটির ৭৬ রোম শাংই।

ৱাংলেনথোইবা :- হৌজিক মালেম অসিদা গ্লোবেল ৱার্মিং থোরক্কুনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপদগী গ্লেসিয়রগী শরুকশিং কা হেন্না শৌদোরকপদগী গ্লেসিয়রগী শরুকশিং অসুম অসুম মাংশিনলক্লি।

মেমচৌবী :- অস! ঐদি নপা নচাগী ৱারী তারিঙৈদা পুংগশে অমত্তা খঙহৌদরে, চাক থোংগনিকা লোয়না কাওরুরে, চাক থেংখরে অমুক্তা প্রপ প্রপ থোংলুখিগে।

তোম্বীনৌ :- য়োংচাক মরু অতোংবা ঐনা ঙশাই অয়ুক লৈরকপদুগা অলু অঙাংবদুমগা ফজনা ইরোনলো, হঙ্গাম পেরেদুমা চমফুৎ  ফুৎলো, খজিংগা মরোয় নাকুপ্পীদুমগা কাংহৌ ঙৌরো, ঐ হকচাং নুংঙাইতে চাক্তু খরা চাবা য়াবরা য়েংগে অদুগা ফৈজুপ ফজনা চীংখৎলগা নুংঙাইনা তুম্বা য়াবরা য়েংগেহে মমা।

মেমচৌবী :- হুম! করি থোকএদনা হায়জা শারিনো, হো অহাওবা চানিংলবদি চাক থোংবগশে ইতেং খরা পাংবীররোলাও।

তোম্বীনৌ :- ইস ! অরেম্বগী হায়জরুরে, নঙনা থোকপা থোংনিংবা অমা থোংজহৌরো, ঐ চাক্কা লোয়না ওকচরে ফমুংদা চঙলে ঐ.....।

-ম্যুজিক-

(মতম: অয়ুক, মফম: য়াইমগী য়ুম, নুংশিবা উচেক-ৱায়াগী খোঞ্জেল)

পুর্ণিমা :- (ঈশৈ ঙং ঙংদুনা লৈ ঈশিং চায়বা) ইতা মাঞ্জা কাদা চৎলনি....... ঐদি মাঞ্জা কাদা চৎলনি......

........... ইতা মাঞ্জা কাদা চৎলনি....

ইতা উরিরৈ..... ইতা তখেল্লৈ নখোয় ঐবু

ৱারৌনু লৈহৌরো চৎলগে......।

যাইমা :- কৈনো ঙসিসিবো, করি নুমিৎনোনে ঐগী ইচলনা থৱায় তানা ঈশৈগা ঙং ঙংদুনা লৈ ঈশিং চাইরল্লিসিবো, ঐবু মংলা তাইবংলা গ্যান অমা মমলেদা।

পুর্ণিমা :- তাচৌ, উরিরৈসু ফজনা শাৎলে, তু য়েংঙুনে তখেল্লেসিসু কয়াদা ফজনা শাৎলিবা, উম... লৈশিংশিনা ফজনা শাৎপা উরুবশিদা মতোমতা কদোমদগীনো খঙহৌদনা ঙংথোকখিবা ঈশৈনি, তাচৌসু ঐনা ঈশৈ ঙহাক্তং ঙংজবসিগা তান হেক চান্ননা হেক্তা লাকই, ঙহাক লৈরগা লাকপা য়াদরো।

যাইমা :- (নোকপা) ইলচনা ঈশৈ নুংঙাইনা শক্লমগনি হায়দি ঐদি কমায়না খঙলুনি, পুং থেংখরে হায়দুনা ৰাঙ্কিং চৎলুবসি প্রপ প্রপ হঞ্জিল্লকপনি, নঙ অমুক ঈশৈ শকহৌখিগেরো, তাচৌ অমুক অস্বাইফাওদং চৎলুখোরো।

পুর্ণিমা :- হুম! ঐখোয় তাচৌশিদি অসিবু ৰানে হায়দনা কৈসু চৎলু হায়দে, মীনা ফাগী তৌরগা, কৈনো খুৎতা চেখাও ময়োম অমা পাইরকইদুবো....।

যাইমা :- হেরা মমাংগী হোটেলদুদা তল ফোং ফোং শানা হেক হৌ লৈরম্বা থেংনরুরে অদুদা ইচল চানিংলমগনি হায়দুনা লৈবিরকপনি, উতি থোংবসু য়াওবনি শে শে লৌশিনলোশে।

পুর্ণিমা :- অদুদি তাচৌ ঐ চা লোনলক্লগে, চামিন্নরশি (চঙখিবা)।

যাইমা :- কয়াদা নুংশিখ্রবা ইচলনো, ঐনা নুমিৎ থা য়েংবগুম য়েংদুনা লৈজরিবনি, নোংমা নোংমগী মপুং মরৈদি অসুম ফাজিনলক্লে নোংমদি শোয়দনা ঐবু হুন্দোক্লক্লগা মীগী ময়ুমদা চৎখিনিকো (পুক্লিং নুংশিবা)।

ৰাংলেনথোইবা :- (চংঙকপা) ৰা অমতা হংজগেবা.......... আ কৈনোমতা হংজগেবা......।

যাইমা :- ইহে ঐদি ইবুংঙোনা কৌবকাশে তাহৌদরে, করি ওইরবনো ইবুংঙো, কনা উনবীগদবা ওইরবনো?

ৰাংলেনথোইবা :- সিবু পুর্ণিমা হোয়গী য়ুম .......।

যাইমা :- মানিনে, ঐনা পুর্ণিমাগী মবুংনি, ইবুংঙোনা কনা ওইবীরমনো।

ৰাংলেনথোইবা :- ঐ পুর্ণিমাগী মমান্নবা ৰাংলেনথোইবা হায়বদুনি, মশা লৈরদি অমুক্তা উনজগেবা।

পুর্ণিমা :- তাচৌ! চা লোনবা লোইরে, চা থকঅশি লাকও (কৌবা)।

যাসমা :- হায় নঙগী নমান্নবা ৰাংলেনথোইবা লাকইনে, চাদু সিদা ওইনা পুথোরকও, মাগীসু য়াওনা, ঐখোয় পুল্লপ থকপীমন্নরশি।

ৰাংলেনথোইবা :- তাচৌগা ঐখোয় ববাগা কোলেজ অমত্তদা ওজা ওইমীন্নে হায়, ঐ ওজা তোম্বীনৌগী মচানুপানি।

পুর্ণিমা :- তাচৌ চা সিদা থল্লগে ৰাংলেনথোইবা শে চা থকউশে।

যাইমা :- (চা থক্লা থক্লা) এ! ইবুংঙোসি ওঝা তোম্বীনৌগী মচানুপা ওইরেকো, নখোয় বাবাদি য়াম তোয়না তোয়না লাকই, ঐগা য়াম্না লুনা তীন্নবা ওজানি।

পুর্ণিমা :- ঐদি খঙবা কুইরে, ৱাংলেনথোইবশে অঙ্কল তোম্বীনৌগী মচানুপানি হায়বা, ঐনা তাচৌদা হায়দোক্তবা।

যাইমা :- মসি অঙাংসিদি, ইবুংঙো ৱাংলেনথোইবা! ইমাদি না য়েক্তেদনা, কুইরে ইতৈমা মেমচৌবীগা উন্নদবসু, নোংমা তঞ্জা চাবদা ঐসু কোইথোরক্কে।

পুর্ণিমা :- অয়ুক ঙান্তাসিদা নঙনা ঐখোয়দা লাকইসিবো করি অথুবা লৈরগে ৱাংলেনথোইবা।

ৱাংলেনথোইবা :- ঐখোয় জিওগ্রাফি দিপার্টমেন্টকী রিছার্চ স্কোলর টিম অমা গঙ্গোট্রি গ্লেসিয়রগী মরমদা থীজিনবা চৎকদৌরি, গঙ্গোট্রিদগীনা গৌমুখ ফাওবা ট্রেক্কিং তৌদুনা হৌজিক হৌজিক ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা শোকহনলক্লিবা গ্লেসিয়রগী শরুকশিং অমদি হিমালয়ান ইকোসিস্তেমগী কায়থরক্লবা মওং মতৌশিংগী মরমদা সর্ভে ৱার্কসু তৌরক্কনি, ঐদি টিমদুদা জোইন তৌদুনা চৎকে খনলি, নঙসু য়াওরুসি হায়গে হায়দুনা লাকপনি।

পুর্ণিমা :- নঙনা হায়রিবা মফম অদুদি ঐনা হান্নদগী চৎনিং চৎনিং লৈবা মফমনি, ঐসু য়াম য়াওনিংঙি, তাচৌ! ঐসু চৎলুগে।

যাইমা :- নখোয় ময়াম পুল্লপ চৎকদৌবা ওইরবদি কৈসু কায়দে চৎলুচো, অদুবু চীং লম্বী চৎপা হায়বসিদি খরা চেকশিন্না নমিৎ ননা শিংনা চৎকদবনিকো। চৎপদি করমকান্দা চৎকদবনো?

ৱাংলেনথোইবা :- মথংগী ৱিকসিদা চৎশি হায়নদি খন্নরি, ঙসি ঐখোয় ময়াম পুল্লপ য়ুনির্ভসিটিদা পুনলগা চৎকদবা চপ চাবা নুমিৎসু লেপথোক্লশি হায়নৈ।

যাইমা :- চহি ১০-২০ গী মমাংদা ওইরম্বা গঙ্গোট্রি গ্লেসিয়রগী মওং মতৌ হৌজিক্কদি য়াম্না খেন্নরে, অহোংবা লৈরে হায়না ঐনা ইন্দিয়ান রিছার্চ জর্নেল অমদা থেংনখি। গঙ্গোট্রি গ্লেসিয়রগী অপীকপা ত্রিব্যুতরি গ্লেসিয়র ১৮ লোমসু হৌজিক্তি শাবগী চাং ৱাংখৎলকপদগী অসুম অসুম ঊনগী শরুকশিং অদু শৌদোকখিদুনা মাংখিবা য়াবগী ফিভমদা লৈরে হায়নসু হায়।

পুর্ণিমা :- গ্লেসিয়রগী শরুকশিং কা হেন্না শৌদোক্তুনা অসুম অসুম মাংশিনলকপা হায়বসে মতম খরগী মতুংদদি ফ্রেস ৱাটরগী শরুকশিং অয়াম্বা মাংখিগদৌরিবনি। গঙ্গা, যমুনা, সটলেজ, ইন্দজনচিংবা তুলেরশিং অসি গ্লেসিয়রশিংদগী হৌরকপনি, গ্লেসিয়রগী শরুকশিং অসি অসুম অসুম মাংশিনলকপা হায়বসি তুরেলশিং অসিগী ঈচেলসু অসুম অসুম পীকথরকপা তাবনি, থক্লা চানবা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা কয়া মায়য়োক্লরকপা তাবনি।

ৱাংলেনথোইবা :- সাইন্টিষ্টশিংগী মত মতুংইন্না হৌজিক্তগী চহি ১০০গী মতুংদদি মালেমসিদা লৌরবা অপুনবা গ্লেসিয়রগী ঊনগী শরুকশিং অসি চাদা ৩০ রোমদি শৌদোক্তুনা মাংখ্রগনি হায়রি।

য়াইমা :- অঙাংশা ! মসি পুন্নমকসি মালেমসিদা কার্বোন দাইওক্সাইদ থাদোরকপগী চাং খঙহেন হেনগৎলকপদগী ওইরক্লিবনিদো। গ্লেসিয়রগী শরুকশিং কা হেন্না শৌদোরকপদগী নেচরেল দিজাষ্টর কয়াসু থোরক্লিবনি।

পুর্নিমা :- তাচৌ ! ইং ২০১৩ গী জুন থাদা কেদরনাথতা থোকখিবা ঈশিং ইচাও অদুগা হিমালয়া চিংশাংগী গ্লেসিয়রশিং শৌদোরকপগা মরী লৈনবরা?

য়াইমা :- উম য়াম্না নক্কবা মরী লৈনৈ। কোরোবাসি গ্লেসিয়র অসি মন্দাকিনি তুরেলগী হৌরকফম ওইরিবনি, হায়রিবা কোরোবারি গ্লেসিয়রগী শরুক্কা কেদরনাথকী মফমশিংগা য়াম্না নক্কনা লৈ, হায়রিবা গ্লেসিয়রগী শরুকশিং অসি কা হেন্না শৌদোরকপদগী ঈশিং পীক থন্না লৈবা পাৎকী শরুক ওইনা কোরাবারি গ্লেসিয়রগী লোইশিনলকপা শরুক্তুদা শেমখি, নোং অমুক কা হেন্না তাশিনলকপদগী ঈশিং ইচাও থোক্তুনা মীওই কয়াগী পুন্সি মাংবতা নৎতনা অমাং-অতা, অৱা-অনা কয়া নংহনখি।

ৱাংলেনথোইবা :- অসুম্না গ্লেসিয়রগী ঊনগী শরুকশিং গ্লোবেন ৱামিংনা মরম ওইরগা কাহেন্না শৌদোরকপদগী শেন্বা গ্লেসিয়র লেকশিং হিমাচল প্রদেশ, জম্মু অমদি কাস্মির, উত্তরাখন্দগী মফমশিংদা অসুম অসুম হেনগৎলক্লি।

পুর্নিমা :- অদো হোরেল য়ুনির্ভসিটিদা পুং কয়াগী অদুৱাদা মযাম পুন্দোইনো?

ৱাংলেনথোইবা :- হোরেল পুং ১১:৩০ গা অদুৱাইদা পুনসি হায়নখিবনি অদুদি ঐ অমুক চৎখ্রগে, তাচৌ ! ঐ অমুক য়ৌজখ্রগে।

ৱাংলেনথোইবা :- ফরে ফরে চৎলোকো, নোয়না চৎলমদাইদা নোয় বাবাহোয় ঐখোয় পুল্লপ চাক চারা অমা চামিন্নশিকো।

-ম্যুজিক-

(মতম:- অয়ুক, মফম : তোম্বীনৌগী য়ুম, লাইশোন-ঈশৈ তপ্না তাবা)

তোম্বীনৌ :- মেমচৌবী... মেমচৌবী... (কৌবা) ... কদায়দা অমুক চৎখ্রবাজাৎনোনে অয়ুক ঙন্তাসিদা.... মেমচৌবী (শাওনা কৌবা) ... হুম রেডিওসিসু থারগা অদুম থনম্মীনে কদায়দা চৎখিবনোনে মসিগী নুপীসিবো... মেমচৌবী (কন্না কৌবা)।

মেমচৌবী :- (ইমুংদগী খুল্লকপা) হো কৈদৌরগে অদুক কন্না কৌবীরিদুবো, ঐ না পংজদ্রিয়ে।

তোম্বীনৌ :- ননা পংদবদুনারা অহুম মরিরক অদুক কন্না কৌববু খুমদ্রিবদো।

মেমচৌবী :- হো অদুদিনে তারসু খুন্বা য়াদবা তাঞ্জা ওইবা অদুনা খুমদ্রিবা।

তোম্বীনৌ :- খুন্বা য়াদবা তাঞ্জা হায়বা অমুক লৈরবরা হায়রিসিবু, ঐনা নঙোন্দা কৌববু কৌবা য়াবা মতাং, য়াদবা মতাং হায়দুনা অমুক খায়দোকপরনে, হুম নঙ সুম সুম মওং অমা তৌশিনলক্তৌরি, ঐনে নঙসে য়াম হৈনরকওইদৌরি।

মেমচৌবী :- হৈনদ্রগা তোকচরেদনা কেৎলে ঐখোয়দি, ইচানুপাগী মতুং ইন্দুনা হিমালয়া চীংশাং নাপোমদুম য়েংলুগে।

তোম্বীনৌ :- এ ! নঙদি কমায়না রিছার্চ স্কোলর অঙাংশিংনা রিছার্চ ৱার্ককী থীজিনবা চৎপদুদা য়াওগদৌরিবা, ঙায়খো নঙ অদু অদাগা লায়রি, হৌজিক নঙনা খুন্বা য়াদবা মতাঙ হায়দু করিনো হান্না হায়য়ু।

মেমচৌবী :- (কন্না নোকথোকপা) হায়রোয় কৈদৌবগী হায়রুনেগে... নোক্তুম অমুক্তা থৱায় তানা নোকথোকখিগে।

তোম্বীনৌ :- নঙগীদু মী উশিৎত্রিবা হায়দুরা, নঙ থওইনা ঐবু করেম্নরিবরা? নঙ খঙনি নঙ লীচৈসিনা নয়াংলেন্দুদা কন্থগে নঙ (তান্নবা)।

মেমচৌবী :- কৈনোনে মসি নুপাসিবো... কৈনোনেহে অওইগী মাগী লীচৈসিনা কন্দৌরে হায়মী... হো ইবুংঙো... ৱাংলেনথোইবা... নোয় নপাসি অমুক্তা খাল্লোলাও হায়বনে...।

ৱাংলেনথোইবা :- (চেন্থোরকপা) কৈনো বাবা তৌরিদুবো... সে লিচৈদু ঐঙোন্দা পীরকও... সে বাবা।

তোম্বীনৌ :- (স্বর হোন্থরগা) হুম মী উশিৎতবা, করেম্নদনগসু তৌরিয়ে।

ৱাংলেনথোইবী :- ইমা ! বাবানা শাওরিসি করিগীনো, ইমানা বাবাদা করি হায়রুরগে।

মেমচৌবী :- হো ঐনা লাইনিংথৌদা ধুপ থাওমৈ কৎলিঙৈদা নোয় নপানা কন্না কন্না পংকৌদা কৌবা, ঐসু লাই খুরুম্লিঙৈদুদদি খুন্বা নুংঙাইত্রদুনা খুমহৌদরে অদুগী শাওরিবনি নোয় নপাসে।

তোম্বীনৌ :- নঙ ঙসায়না অদুম হায়না ফজনা খুন্বরা, হৌজিক্তা নচানুপাগী মমাঙদা নচীল চুম্লকইনে, ঐঙোন্দদি নঙ করেম কথাইনদুনা খুন্নকপা নৎতরা (শাওবা)।

ৱাংলেনথোইবা :- বাবা ! সে শাওরনুসে, ইমাসু ৱা ফজ-ফজনা ঙাংবগী হৈনবী লৈয়ো, ইমাগী হৌনবী মথোং-মরম খঙদনা ঙাংবদুসু খরা থাদোকপীরো।

য়াইমা :- (মপান্দগী কৌরকপা) ওজা তোম্বীনৌ... ওজাবু লৈবরো... ওজা...।

তোম্বীনৌ :- (থোরকপা) হায়মা ! ওঝা য়াইমা, কদোমদগীনো তৌরকইসিবো য়াম থাজদনা, লেংশিনবীরকও ।

মেমচৌবী :- সোমদা হেক্তা চংবীরকও ওজা, ইবেম্মা পুর্ণিমাসু য়াওরকইনা, লাকও লাকও ইমুংদা চংসি লাকও, ঐখোয় ৱাংলেনথোইবসু লৈয়ে।

পুর্নিমা :- হোয় মেদাম ঐসু য়াওজরকই, হয়েং ৰাংলেনথোইবহোয় ঐখোয় গঙ্গোত্রি চৎনবগী প্রোগ্রামদুগী মরমদা সুম ৰা তন্নজগে হায়দুনা লাকচবনি।

ৰাংলেনথোইবা :- পুর্নিমা ! ঐখোয় পুন্না চৎমিন্নগদৌরিবা তরামক্কী ফ্লাইট টিকেৎ দাইরেক্ট ইম্ফাল টু দেহরাদুনগী কনফার্ম ওইরবনি।

য়াইমা :- দেহরাদুনদগী গঙ্গোত্রি ফাওবদি টেক্সিনা চৎকদৌরিববরা করিনা চৎকদৌরি।

ৰাংলেনথোইবা :- টেক্সি রিজার্ব তৌরগা চৎননবা খন্নরে তাচৌ।

মেমচৌবী :- নোয়না চৎকদৌরিবা অদুবুদি কান্নবা অফবা থবক্কীদমক চৎকদৌরিবনি অদুবু ইমাদি নোয়না হিমালয়গী ঊনগী মরক্তুদা চৎলুনি হায়রিবসে য়াম্না পাখৎলিবো, নোয়না হেক হল্লক্ত্রিবা ফাওবা ঐদি লৈফম চাফম খঙলোইদৌরিবনি।

তোম্বীনৌ :- করিসু তৌরোইদা, করিগী পাখৎকদৌরিবনো, ইচাশিংনা মালেম অসিগী শাবগী চাং ৰাংখৎলকপদগী ঊনগী শরুকশিং কাহেন্না শৌদোকরক্লিবশিঙ অমদি মসিদগী থোক্লক্কদবা খুদোংথিবা কয়াসিদগী কনহৌনবা থবক কয়া পায়খৎনবা হোৎনরক্লিবসে ঐদি হরাওরিবনিনে।

য়াইমা :- হৌরক্লিবা নহাশিংনা মালেম অসিবু কন্ননবা হোৎনবদা চাওরবা থৌদাং কয়া লৌহন্নিংঙি অদুনা নখোয় নীংহন্নবা লৈতনা নখোয় নখোয়গী রিছার্চ ৰার্কশিং অদু মায় পাক্লবা হোৎনগদবনিকো।

পুনিংমা :- হোয় তাচৌ, ঐখোয়না হেক ঙক্লিবমখৈ থৱায় য়াওনা হোৎনদুনা মালেম অসিগী কায়রক্লিবা, হোংলক্লিবা মহৌশাগী খোঙচৎ অমদি মহৌশাগী ফীভমশিং অসিদগী ঙাকথোকপা ঙম্নবা হোৎনজগে।

মেমচৌবী :- নখোয় নমায় পাকপনা নখোয়গী নথৌশিং পাংথোকপা ঙম্নবা ইমানা ঈশ্বর চেৎনা থাগোন্নদুনা খুরুমজরমগে।

য়াইমা :- ওজা ! ঐদি ইকাওবু কাওরুরে, হৌজিক ঐখোয়না লাকপদা লম্বীদা ঙায়োনবী অমা থেংনরকই, মানা পোরোম অচৌবা অমা য়াওরি, মসিদা লৈবীখো হায়বদুদা লৈরকপনি, সে ওজাহোয় থোংলগা চাবীহৌরো।

তোম্বীনৌ :- এ ! ঐখোয়দা চাহৌবদি কদায়দগী য়ানেগে, ঐখোয় পুন্না থোংমীন্নরগা হেক্তা চামিন্নরদবনি।

মেমচৌবী :- ইবেম্মা ! পুর্নিমা লাকওহে ইমা-ইচা চাক থোংমীন্নরুরসি, লাকও লাকও।

-ম্যুজিক-